# হীদাক চঙদবা টি বী

## লায়েংনবা দোট প্লাস সাইট লোইশিন্সি

মণিপুরদা হীদাক চাং নাইনা চাদবা অমসুং লায়েং -পথাপ নীংথীনা ঙাক্লা চৎতবদগী ঙসিদি মল্টি দ্রগ রেসিষ্টেন্স-টি বী (এমদিআর- টি বী) ওল্লবা অনাবা ২৮ লৈরে হায়বা ৱাফম অমা ষ্টেট অসিগী টি বী ওফিসার ডা: আর কে লাকসনানা ফোঙদোক্লকপা অসি মিপাইনীংঙাইনি। অনাবা মীওই মশীং অসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকি ব্লদ সেম্পল ৭৪ চাংয়েং তৌরুবদা থেংনরকপনি। অমরোমদা, ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওই অয়াম্বা টি বী লায়না য়াওনা নাগনবা মরম্না এমদিআর টি বীনা নাবা মীওই মশীং অসি য়াম্না হেন্না লৈরম্বশু য়ারি। ইং ২০০১ দগী ২০১১ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা টি বীনা নাবা মীওই মশীং ৩৭, ৫৪৬ থেংনখিবগী মনুংদা মীওই ১,৫৬৪ শিখ্রে হায়না ষ্টেটিষ্টিক্স রিপোর্ট অমনা পল্লি। অদুবু মসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইরিবা অসি মরম কয়াদগী হীদাক চাদুনা লায়েংবগী থবক তোকথোকখিবদগী হীদাক থাবদা চঙদবা টি বীগী শায়োন মখল অমা ওল্লকপা অসিনি। গুজরাটনচিংবা ষ্টেট খরদদি অসিগুম্বা টি বীগী শাইওন অসি মখা তানা য়াম্না খুদোংথীংঙাই ওইবা মওং অমদা এক্সত্রিম দ্রগ রেসিষ্টেন্স (এক্স-দিআর) হায়বসি ওল্লক্তুনা টোটেল দ্রগ রেসিষ্টেন্স (টি দি আর) গী থাক ফাওবা য়ৌরকপগী কেস কয়া থেংনরি। ফীভম অসিদা প্রাইভেট ক্লিনিক অমসুং ডাইগ্নোষ্টিক ক্লিনিক খুদীংমক্লা লায়না অসি থেংনবা মতমদা গভর্নমেন্টতা রিপোর্ট তৌহন্নবা খোঙথাং অমা পায়খৎলে হায়বসি পুক্নীং থৌগৎনীঙাইনি। থোইদোক্লা, ঐচআইভি অমসুং এইদস থিংবগী মায়কৈদা থবক তৌরিবা ষ্টেট অসিগী এনজিও অমসুং  গভর্নমেন্টকি এজেন্সিশিংবুসু খোঙথাং অসিনা কোনশিনবা চুমগনি। মরমদি মণিপুর অসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা এইদসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমনি। লায়না অসিনা নারবা মীওই অয়াম্বা টি বীগী লাইওংগা য়াম্না তোয়না মরী লৈনবা মরম্না মখোয়গী মরক্তা এমদিআর টি বীগী কেস কয়ামরুম লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। হীরম অসিদা মেদিকেল ডাইরেক্টোরেটনা অকনবা মীৎয়েং চঙশিনবা চুমগনি।

সেন্ত্রেল  টি বী দিভিজন্না লুপা লাক্ষ তরাখক পীরকপদগী পোরোম্পাৎতা লৈরিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ফমুং ১০ খক থাবা চনগদবা এমদিআর লায়েংগী দোট প্লস সেন্টর  অমা শাগৎপদা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরে হায়বসি মণিপুর গভর্নমেন্টকি মায় খুনীংঙাই ওইবতা নত্তনা টি বীগী তমথিরবা অনৌবা লাইওং মখল অসিবু হেন্না পাক-শন্না শন্দোকহল্লক্লবা মরম অমসু ওইগনি। ষ্টেট অসিগী টি বী লোয়শঙনা লায়না অসি এম্বুলেন্স শীজিন্নদুনা লাকশিন্নবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফম অসি মরিং-মরাংবা ৱানি। সেন্টর অসি লাক্লিবা জুলাই থা অসি ফাওবগী মনুংদা শাবা লোইশিন্নবা য়ুনিয়ন হেলঠ মিনিষ্ট্রিগী ওথোরিটিশিংনা খঙহল্লক্লবনি অমসুং হায়রিবা মরম অসিগী মনুংদা লোইশিনহৌদবা তারবদি ষ্টেট অসিগী এমদিআর না নারবা অনাবশিংগী মরাইবক অসি তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরবা য়ারি। ষ্টেট গভর্নমেন্টকি পোলিটিকেল কম্মিটমেন্ট য়াওদনা লায়না অসি থেংনবা ঙম্লোই। লেজিসলেচরশিংনা হীরম অসিদা অচৌবা দায়িত্ব লৌবা মথৌ তাই। এমপি নত্রগা এমএলএশিংগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শেনফম খরা খরদং কাইথোকতুনা সেন্টর অসি শাবা লোইশিনবদা পঙৱা  ৱানা থোক্লোই। লায়না-তীন্না হায়বসিনা লায়র-ইনাক খুনবা, অচৌ-অশাং, মীশক-মীমায় য়েংদবা মরম্না খুন্নাইগী ইন্টরেষ্টতা মীপুম খুদীংমক্লা টি বী অমসুং মসিগা শাগোন্নবা অতৈ লাইথেৎশিং অসিদগী  ঙাকথোকহৌনবা হোৎনবা হায়বসি তঙায়ফদনা মথৌ তারক্লি। ষ্টেট টি বী ওফিসারনা মেদিয়াগী খুত্থাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি সরকারনা লাইচৎ থিংনবা হোৎনবদা কয়া থৌশাদবদগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনরকপা মাল্লি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাওখৎলবা মতম অসিদা ইন্দিয়াদদি টি বী লায়না অসি মরু ফুক্না মাঙহনবা ঙমদ্রি। ৱাফম অসি মণিপুরগুম্বা মশাগী রিছোর্স অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনগী অশোনবা কয়া লৈবা ষ্টেটশিংদনা অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংনা উবা ফংনরি। অদুবু খুন্নাইগী অপূনবা হকশেলগী মীৎয়েংদা অদুগুম্বা অশোয়বা অরানবা কয়া চুমথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয়গী দায়িত্ব ওইফম থোকই।